# মেট্রেস অমদি ইক্বিপমেন্ট মতিক চাদবনা শান্নরোয়শিংগী পূন্সি চুপ্পা শোয়নাইবা য়াবগী ফীভমদা লাক্লে

অলকা থোকচোম





**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচ এন এস):** কুমজা ২০১৯দা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা ৱুশু মশান্নগী ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মঙ্গোলঙানবী কোলেজ নিংথৌখোংগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হাংখিবা রিগ্যুলর কোচিং সেন্টর (আর সী সী) য়াম্না ফীভম তাদ্রে। মপী-মপা লৈজদবগুম মফমসিদা শান্নরিবা চহী নৌরিবা শান্নরোয় কয়াগী ওইনসু মেট্রেস অমদি ইক্বিপমেন্টশিং নীংথিজনা লৈতবনা শান্নরোয়শিংগী হকচাংগী ফীভম শোক্লিংঙাই ওইবা ফীভমদা লাক্লে।

আর সী সী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ৱুশু সান্দা মশান্নগী ওইনা শান্নরোয় কয়া চহী খূদিংগী ষ্টেট, নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা ঙসি ফাওবা পুথোক্তুনা লাক্লি। থা ৬কী ওইবা কোর্স অমদা য়ামদ্রবদা শান্নরোয় ১০০গী ময়াদা এদমিসন তৌদুনা সেন্টর অসিদা শান্নরি। শান্নরোয়শিংগী এদমিসন ফী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর (দি ৱাই এ এস ও)দা লুপা ২০০/২০০ থী। হন্দক চহীগী ওইনা শান্নরোয় ৭৮ এদমিসন তৌদুনা সেন্টর অসিদা শান্নরি। সেন্টর অসিগী ওইনা শান্নরোয়শিং অসিবু তাকপী-তম্বীনবা কোচ অনী লৈরি। ৱুশু সান্দাগী ওইনা মোইরাংথেম রোমেন অমসুং ৱুশু তাওলুগী ওইনা ঐচ দেৱাননা তাকপী-তম্বীরি। মফম অসিদা শান্নদুনা শান্নরোয় কয়া মণিপুরদা নৎতনা ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরকখ্রবসু শান্নরোয়শিং অসিগী ফংফম থোকপা চয়োল অমদা য়াসনা পীবা দাইট ফাওবা চাবা ফংদনা লৈরি। দাইট য়াওদবনা মরম ওইরগা শান্নরোয়শিংনা শান্নরিঙৈ মনুংদা ঈ ওবা অমদি ৱাম্থুরকপসু কয়ানি। মসিদা নৎতনা শান্নরোয়শিংগী শান্নবুং ওইরিবা এরেনাগী মেট্রেস অসিসু পীচ ৮০ খক্তনি। হায়রিবা পীচ ৮০ অসিসু য়াম্না পাবা মরম্না শান্নরোয়শিংনা শান্নবদা অশোক-অপন য়াওবা অমদি স্পাইনেল কোর্দ তৎপদগী শান্নরোয় অমসু পূন্সি চুপ্পগী ওইনা শান্নবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরে। কুমজা ২০১৯দা য়াসনা এরেনা মেট্রেস ৮০, গ্লোভ ৫, চেস গার্দ ৪ পীরকখিবদগী ঙসি ফাওবা মখা তানা য়েংশিনবীরক্তে অমসুং দাইট ফাওবা নোংমতা পীরক্তে হায়না শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লরক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা কোচিং সেন্টর অসিগী কোচকা উনরুবা মতমদা মঙ্গোলঙানবী কোলেজ নিংথৌখোংগী ইন্দোর হোল অসি হান্না ফ্লোরিং তৌরমদবা কয়া অদু য়াসকী মায়কৈদগী শেমগৎপীরে অদুবু দাইট অমদি ইক্বিপমেন্টগী অৱাৎপশিংদি অদুম্মক লৈরি। মসিগী মতাংদা ফোর্মেল লেটরদা নৎতনা মরী লৈনবশিংদা কয়ারক খঙহনখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা দিরেক্টোরেট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস খুমন লম্পাক্কী ওফিসল অমগা উনরুবা মতমদা দিরেক্টরগা তান্নদুনা দিপার্টমেন্টনসু কেবিনেটতা পুখৎনবা কন্না হোৎনরি। মরমদি পোৎ লৈবসি খূদক্তা হেক্তা লৈবা য়াদে। গভর্ণমেন্টকী চৎন-কাঙলোন অমগী মখাদা সপ্লাইয়র অমা খনবগী প্রোসেস চত্থগনি। প্রোসেস অসিসু শাংবনা পাক হেক লোইশিনবা ঙমদ্রি। কুমজা ২০১৯দগী কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক লাকপা মদুগী মতুং মণিপুরগী হৌজিক থোক্লিবা ঈরাংশিং অসিনা থবক মপূং ফানা তৌবা ঙমদ্রে। মসিগী মথক্তা টেন্দরগী প্রোসেস অসি লুপা লাখ ২ রোম চঙই। দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীদি পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎতুনা লৈরবনি। অদুবু হৌখিবা চহী ৫ রোম অসিদা থোক্লিবা পেন্দেমিক অমদি ঈরাংনা মরম ওইরগা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎপা ঙমদবনি হায়না ফোঙদোরকখি। পোৎ লৈবা মতমদা মচিৎ-মচিৎ লৈবগী মহুৎতা ৱুল ওফ পর্চেসকী মতুংইন্না দিসিপ্লিন খূদিংমক্কী অৱাৎপশিং পূন্না লৈনবা হোৎনরি হায়নসু ওফিসল অসিনা মখা তারকখি।

অৱাৎপনা থল্লবা কোচিং সেন্টর অসি কোচ অনীনা অদুক্কী মতিক থৱায় য়াওনা শান্নরোয়শিংবু তাকপী-তম্বীরি। মখোয় অনী খক্তা নৎতনা শগোলশেন নুমিৎ খূদিংগী ডা. সিফু নোরেন্দ্রো, চেয়রমেন, সাউথ এসিয়া কোংফু ফেদরেসন সান্দা কন্মিটিদা হায়জদুনা শান্নরোয়শিং অসিদা অহেনবা ৱাখল লৌশিং তাকহল্লি। অদুবু লাইবক থীবদি মণিপুরগী হৌজিক-হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অসিদা মঙ্গোলঙানবী কোলেজ নিংথৌখোংগী ইন্দোর হোল অসি ইরমদম অসিগী লাঞ্জেন্নরকখিবা ইরৈচাশিংগী রিলিফ কেম্প ওইখিবনা মফম অসিদা শান্নরোয়শিংনা হৌজিক প্রেক্টিস তৌবসু ঙমদ্রে। হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনা মফম অনী থোক্লা কোচিং ক্লাস চত্থরি। মফম অনী অদুদি থিনুঙ্গৈ ময়াই লৈকাই কম্যুনিটি হোল অমদি নাচৌ বজার কম্যুনিটি হোলনি। হোলশিং অসিগী অহাঙবা মতম য়েংদুনা শান্নরোয়শিংবু বেটচ অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা তাকপী-তম্বীরি। করিগুম্বা মতমদা লৈকাইগী থৌদোক-ৱাথোক কুঙশিল্লক্লবদি শান্নরোয়শিং অসিগী ক্লাস লেপখিবসু কয়ানি। আর সী সী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা চহী ৬তগী ২৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহাশিংনা প্রেক্টিস তৌরি। চহী অসিগী ওক্টোবর থাদা পাঙথোকখিবা স্কুল গেমস ট্রায়ল সেলেক্সনদসু আর সী সী অসিগী ওইনা প্লেয়র ৯ সেলেক্সন ফংখি। এম য়ু ইন্টর য়ুনিভর্সিটিগী ট্রায়ল সেলেক্সনদসু কোচিং সেন্টর অসিদগী শান্নরোয় ৬ সান্দা মশান্নগী ওইনা খনখি। মখোয়শিং অদু মথং চহীগী ফেব্রুৱারী থাদা জম্মু কাশ্মীরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ৱুশু টুর্নামেন্টতা শরুক য়ানবা শেম শারি।

শান্নরোয়শিংনা হৌজিক দাইট অমদি ইক্বিপমেন্টশিং মতিক চাদবগী থেংনরিবা খূদোংচাদবশিং অসি লৈঙাক্লা উবীদুনা কোচিং সেন্টর অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং অথুবা মতমদা পায়খৎপীয়ু।

মণিপুর ইন্দিয়াগী স্পোর্টস হাউসনি হায়নরিবনি। মরম অদুনা মণিপুরদগী অফবা শান্নরোয়শিং পুথোক্তুনা লমদম অসিগীদা নৎতনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরক্লবা হোৎনবদা থৌনা পাঙ্গল পীবীয়ু হায়না শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লরক্লি।

## সেলেক্সন ট্রায়লদা শরুক য়াগদবশিংগী মমিং লাউথোকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচ এন এস):** মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কবাদ্দি (ৱিমেন) টিম ২০২৩-২৪দা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ২৭কী অয়ূক পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদৌরি। হায়রিবা ট্রায়ল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোকখ্রে।


শান্নরোয়শিং অদুদি- এস কে ৱিমেন কোলেজগী এস পুস্পা, ঐচ অঞ্জলি, এ প্রিয়া, ঐচ কবিতা, এন জি সায়া, এন জি চিত্রা চনু, কে সনাতোম্বী চনু, দল্লিয়ু সায়া, এম প্রেমেশ্বরী চনু; টি এস পাউল কোলেজগী এস টিনা, এস হেলেনা, কে ঐচ মেরিনা, প্রিয়াদর্শিনী এম, সরিতা য়ুম্নাম, ৱাই অঞ্জলি, দল্লিয়ু থোইবী; মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এম বাস্কো চনু, কে ঐচ দয়ানন্দি, এস নর্গিস, এস সুমতি, টি ঐচ সোফিয়া, ৱাই খেলিনানি।

ট্রায়ল সেলেক্সন অসিদা খল্লবা শান্নরোয়শিংনা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি কবাদ্দি (ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগনি।

মমি ৱারী


## রজিভ খুমন


### ঈপাকসিদা পূন্সিনা হীনাও ওইরি












HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 998**

**Pytlakowski, Andrzej - Bratoszewski, Jerzy**
**POL-ch Wroclaw (7), 1955**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 e6 | 3.Nc3 d5 | 4.cxd5 exd5 | 5.Bg5 c6 |
| 6.e3 Be7 | 7.Bd3 Bg4 | 8.Qc2 Bh5 | 9.Nge2 Bg6 | 10.O-O O-O |
| 11.Ng3 Na6 | 12.a3 Bxd3 | 13.Qxd3 Ng4 | 14.Bxe7 Qxe7 | 15.b4 Nc7 |
| 16.a4 g6 | 17.b5 h5 | 18.bxc6 bxc6 | 19.h3 Nf6 | 20.Rfc1 Ne6 |
| 21.a5 c5 | 22.dxc5 Qxc5 | 23.Nb5 Qe7 | 24.Ne2 Rfc8 | 25.Ned4 Nc5 |
| 26.Qa3 a6 | 27.Nc3 Kf8 | 28.Na4 Nxa4 | 29.Qxa4 Ne4 | 30.Qb3 Qh4 |
| 31.Qa2 Rc4 | 32.Rxc4 dxc4 | 33.Qc2 Rc8 | 34.Rb1 Rc5 | 35.f3 Ng5 |
| 36.Kh2 Rxa5 | 37.Rb8+ Kg7 | 38.Ne6+ fxe6 | 39.Qb2+ e5 | 40.Qb7+ Nf7 |
| 41.Qc8 Rb5 | 42.Qg8+ Kf6 | 43.Ra8 Rb7 | 44.Rxa6+ Ke7 | 45.Ra8 Qe1 |
| 46.Qf8+ Kf6 | 47.Ra6+ Kg5 | 48.Qg7 Kh4 | 49.Qxg6... | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 997 Solution :**

**17. Rxf5+ Kg6 18. Bf7+ Kxf5 19. Qf1+ Kg4 20. Be6+ 20. ...Kh4 21.g3#** David and Goliath mate
**1-0**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com